
থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ঐগী খ্বাইদই তমথীবা য়েক্লবা



ৱারী অমা নীংশিংলকই। কনাগুম্বনা শেমজিল্লগা ইখিবরা ? তশেংনমক থোকখিবরা ? মদুমদি খঙদ্রে ঐ। পাখঙ ওইরিঙৈ, হীরম খুদিং খঙনীংলিঙৈ, করি শিনফম পায়রগা পুন্সি হিংনি খঙদ্রিঙৈ পঙপাদা পাখিবা লাইরিকশিং, শীজিন্নফম খঙদনা মচী অমদা তাশিন খোপচিন থমখিবগুম থমখিবা - ৱাখলসিনা পরিং তিং, খনবা হৌরকপসিদা পাইথোরকই মরক মরক। অদুগুম্বা পাউদুনি থম্মোয় পাউদম ওইনা তল্লিবসে ময়ামদা।

খ্বাইদগী ফাওবা, খ্বাইদগী চাওবা সাইন্টিষ্টশিংগী মরক্তা অমনি শীংথানরিবা - 'অলবর্ত আইনষ্টাইন' অমনি। ৱাখল ফনা লৈরসু, ফনা লৌশিং লৈরসু, অশিবা কৌবা মাবুদি মায়থিবা পীঙমখিদে 'সার' মিংথোল ফংলবা আইনষ্টাইন'না। মাগী শিরমদাই মীকুপ্পুদা, মাগা য়াম্না নক্লবা কনাগুম্বা অমনা আইনষ্টাইনদা ৱাহং অমা হংখি হায় .. 'অশিবা কৌবা লাইদুনা থৌজাল হৈবা ওইরমদুনা করিগুম্বা অদোমদা, নঙগুম তাঙবা মীওইবা পঙন অমুক পোল্লক্লোই, মপোক অসি লোইদুনা নঙবু লৌশিল্লবসু মীওইবগী খন্দুনা তাইবংপানবা অসিদা নঙবু অমুক থাগেরা, হায়য়ু, করম্বা মী ওইনা মালেমদা অমুক হন্নীংই ?'

উইশিল্লুরবা মীৎ পাঙথোল্লগা, আইনষ্টাইননা খুল্লকখি হায় ... 'মালেমদুদা হন্দুনা অমুক হন্নদি পোক্লিংদে, অদুবু হে ঈশ্বর, নঙবুসু থাজখিদবনি ঐহাক্তি ... অদুবু, করিগুম্বা নহাক্লা অমুক হন্না মালেমদা চত্ত' য়াদে হায়রবা, সাইন্টিষ্ট অমা ওইনদি অমুক হন্না পোকহনবীনু, ৱাখল লৈবা অফাওবসু ওইহনবীনু পামজদে ... পোক্তা য়াদে হায়রগা কনাগুম্বা অমগী মখাদা থবক শুবা মিষ্ট্রি ওইনা পোকচগে ...'।

ৱারী অসি শেমজিনবদি মাল্লি কনাগুম্বনা। অদুবু, তাবদা নুংঙাইবা, ওইরমগদবা মানবা ৱারীনি। মরম চায়। আইনষ্টাইনগুম্বা, মালেম শীন্না খঙনরবা মীশক অমগী ৱারী ওইবনা তানীংই অপাবনসু। সার অলবর্ত আইনষ্টাইনগী পুন্সি ৱারী খঙদবা কনা লৈরমগদগে ? মহাক্লা পামজবা হীরমদুদা, মহাক্লা খঙজবা লৌশিংদুদা মমুৎ তানা থিজিনবনি। অদুবু, ৱারীসিমসু অচুম্বনি - মদুদি, পুন্সিনা য়াঙশিল্লকপগা 'আইনষ্টাইন' - মহাক্লা পুথোকখিবা সাইন্টিফিক ইনভেন্সন ময়ামদুগী খল্লুবদা মপুক্লিংদু অনুতাপনা থনখি। করিগী অনুতাপ ? হংবীনিংলমগনি শোয়দনা। আইনষ্টাইননা য়াজখি, মহাক মশানা মশাগী পুন্সিবু অরেম্বদা মাঙহনবনি, পুন্সিগী মমল য়াম্লবা মীকুপ কয়া এতোমিক ইনর্জিগী মরমদা থিজিন্দুনা অরেম্বদা মাঙহনখি। অদুগা, অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও অদুদা 'অমেরিকানা হিরোসিমা অমদি নাগাশাকিদা 'এটোম বোম' থাধদুনা মীওই লিশিং লীচা কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবগী দাইত্ব মহাক্কীনি খন্দুনা পুক্লিং লৈতাহনখিদে। মহাক্কী এতোমিক ইনর্জি ইনভেন্সদুনা এটোম বোম শাহনখিবনি, মাঙ তাক্লবগী মশক ওইরবা থবকশিংদু পাঙথোকহনখিবনি, মহাক মশামক জর্মনগী দিক্তেতর এদোল্ফ হিতলরদগী হেন্না তমথিবা মীশক অমনি খল্লকখি। মহাক্কী আইদিয়া - মীওইবা খুন্নাই অমদি মালেমগী লৈমায়দগী থৱায় পানবা জীব পুম্নমক মুৎখিনবগী মরম ওইরকই, মহাক হ্যুমেনিতিগী য়েক্লবনি। মহাক্লা শাগৎখিবা এটোমিক ইনর্জিগী শীজিন্নফম অদুদি মীওইবগী কান্নবদুখগীনি। বোম শাবগী ৱাখলদুদি মকোক্তুদা পোকখিদে। মদুগী মহুৎ, মাগী পীক্ল' ইংখোলদুদা আতরগুলাপ অমা থারম্বনা হেন্না ফত্তরা ? লৈকোলগী লৈখোঙ শোমদুনা, হৈকোলগী মালি ওইদুনা মালেম অসিবু অশং-অমান, লৈনমনা শীনবা মফম অমা ওইহনবদুনা হেন্না অফবা মপোক নত্তরা ? নুংশিবা ঈশৈ অমা শক্তুনা, অতাবা কনাগী পুক্লিং ঈংথহনবা মদুনা হেন্না মালেমদা শান্তি পুরকপদা মতেং ওইগদ্রা? আইনষ্টাইননা খল্লকখিবনি।

অসুম্না, মালেমসিদা লাক্লগা, তাইবং শিন্থা পাঙলগা - পোলোই মতম লাকপদদি খল্লকই, পুক্লিংসিনা অথোয়বনি। পুক্লিংনা মথৌ করম্না তৌবগে - খঙবদুনা মরুনি। মদুনি আইনষ্টাইননা থেঙনা খঙলকখিবা।


মীওইবগী পুক্লিং। লৌনম চাওবা কনাগুম্বা অমগা পাংখক্লি। মঙোন্দগী নাম্থোক্তুনা চৎপা অরায়বা নত্তে। পুক্লিংসিবু হোংহনবা ঙম্বা মহাক্তুদি ঈশ্বর মনাক নক্লবনি হায়নবা - চুম্না হাইফেৎ নৈনসি। হিংনবগীদমক চারিবা -শিদ্রিফাওবা তৌরগদবা থবক অমনি। অদুদি চরা হেনবা হায়বসি, অখাঙ কনবগী খুদম্লা ? থাবুম অমা চরা হেনবা, নোং ঙানবদগী নুমিৎ ময়ুম চঙবফাও, কম্থোকপগী অৱাংবা ফিদমনি - খল্লি মুস্লিম ইচিন-ইনাওনা, পুক্লিং ৱারক্লবগী অকনবা চাংয়েং অমনি। অদুবু, 'চরা হেনবা' হায়বা থবকসিদসু - পুক্লিংসিনা খল্লিবা 'চাবা' হায়বা থবক অদুখক্তনি। 'চরা হেনবা তোকপদা করি মথেল চাগনি' ?

'শকহেনবী অপসরা, মেনকাগী ৱাখলদা অতৈ ৱাখল চঙদরে, মপোক অসি মাঙদৌরে, নুপীগী ৱাখল খল্লরোই' - খনবীখিবা য়াওবরা ? শকহেনবী অমা উবদা ইমিৎ অসি উইশিনবা, লাইশোন অমা নীংশিংবা - অশিংবগী পাউতাক্লি। ইমিৎ অসি উইশিল্লগা, লাইশোন অদু শোল্লগা শকহেনবীদুগী ৱাখলদি মাঙখিবরা পুক্লিংদগী ? মাঙদে। হেন্না ময়েক শেংলকই। হায়নরিবনি - কাউগে খল্লগা নীংশিংবা হেল্লি।

অসুম্না মায় পাকপগী পন্দোল লোম্নবা চঙশিল্লকপা খোঙৎসিদা ঐগী খ্বাইদগী চাওবা য়েক্লবদি ঐগী পুক্লিং অসিনি। ঐবু হঞ্জিন হঞ্জিন মায়থীবা পীরিবা ঐগী পুক্লিং অসিনি। পুক্লিংবু মায়থীবা পীসি পুন্সি পন্দোল লোম্নবা।

লৌশিং পুক্কে

# তোঙান-তোঙানবা ট্যুমর মখলশিং




ট্যুমর হায়বসি অপোম্বা (স্বেল্লিং) গা মশক মান্নবা টিসুশিংগী অপূনবা মপৈ নৎত্রগা মতূম অমনি। ট্যুমর খুদিংমক কেন্সর ওইগনি হায়বদি লৈতে, অদুবু ইশাদা ট্যুমর লৈবা থেংনরগদি দোক্টরদা য়েংথোকপা কান্নগনি।

নেসনল কেন্সর ইনষ্টিট্যুটনা ট্যুমর হায়বসি তৌফম থোকপা চাংদগী হেন্না সেল দিভিজন তৌবা নৎত্রগা সেলশিং অদু শিফম থোকপা মতমদা শিদবদগী ওইরকপা এবনোর্মেল ওইবা টিস্যুশিংগী অপূনবা মপৈ অমনি হায়না মশক তাক্লি।

মশা-মউ ফবা হকচাং অমদা সেলশিং চাউখৎলকই, মশিং য়ামখৎলকই অমদি অমনা অমগী মহুৎ শিন্দুনা হকচাং মনুংদা লৈহৌই। অনৌবা সেলশিং শেম্লকপগা লোয়ননা হান্নগী শেলশিং অদু শিখি। অদুবু মীওই অমদা কেন্সর নারবদি হকচাংনা মথৌ তাদবা মতমদা অনৌবা সেলশিং মচা পোক্লকই। হায়রিবা অনৌবা সেলশিং অসি য়াম্না য়াম্লগদি মখোয়শিং অদুনা ট্যুমর ওল্লকই।

ট্যুমর খরদি বিনাইন ওই অমদি কেন্সরস ওইদবা সেলশিং ওইবা য়াওই, অদুবু অতোপ্পা খরদি মেলিগ্নেন্ট ট্যুমর ওই। মেলিগ্নেন্ট ট্যুমরশিং অসি কেন্সরস ওই অমদি সেলশিং অসিনা হকচাংগী অতোপ্পা কয়াৎশিংদা শন্দোকপা ঙম্মী।

ট্যুমরশিং অসি মখল খেন্নবগী মতুংইন্না য়াম্না কূপ্পদগী হৌরগা অচৌবা ফাওবগী তোঙান তোঙানবা চাংদা চাউবা য়াই। মখোয় অসি হকচাংগী মফম অমদা হেক্তা উবা ফংবা য়াই।

ট্যুমরগী মরুওইবা মখল অহুম লৈ, মখলশিং অদু মখাদা পীরি:

**বিনাইন:** মখোয় অসি কেন্সরস ওইদে। মখোয় অসি শন্দোকপা নৎত্রগা চাউখৎলকপা ঙমদে নৎত্রগনা য়াম্না তপ্পী। ট্যুমর মখল অসি দোক্টরনা লৌথোকখ্রগদি অমুক হন্না হৌরক্কন্দে।

**প্রিমেলিগ্নেন্দ:** ট্যুমর মখল অসিদনা সেলশিং অসি কেন্সরসমক্তি ওইদ্রি, অদুবু মেলিগ্নেন্ট ওইরকপা ঙম্বগী মগুনদি চেল্লি।

**মেলিগ্নেন্ট:** মেলিগ্নেন্ট ট্যুমরশিং অসি কেন্সরস ওই। সেলশিং অসি চাউখৎপা অমদি হকচাংগী অতোপ্পা মফমশিংদা শন্দোকপা ঙম্মী।

ট্যুমর অমনা তুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বসি মতম খুদিংমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদে। বিনাইন ট্যুমর খরদি প্রিমেলিগ্নেন্ট ওইরকপা য়াই মদুদগী অমুক মেলিগ্নেন্ট ওইরকপা য়াই। মরম অসি লৈবনা ট্যুমর অমা হেক্তা ইশাদা লৈবা মতমদা দোক্টরদা য়েংথোকপনা খ্বাইদগী ফৈ।

বিনাইন ট্যুমর অয়াম্বা খুদোংথীনিংঙাই ওইদে, অমদি মখোয় অসি হকচাংগী অতোপ্পা কয়াৎশিংদা শন্দোক্কন্দে। অদুমওইনমক, মসিনা নর্ভ নৎত্রগা ঈগী উতোংদা ননশিনবা নৎত্রগা হোর্মোনশিং হেঞ্জিন্না পুথোকহনবদা মতেং পাংশিনবা তারগদি চৈনাখোল ফাওবা নৎত্রগা অতোপ্পা খুদোংচাদবশিং থোকহনবা ঙম্মী। বিনাইন ট্যুমরগী খুদম ওইনা এদেনোমস, ফাইব্রোইদ, হেমানজিওমাস, লিপোমাস অসিনচিংবশিং পনবা য়াই।

প্রিমেলিগ্নেন্ট ট্যুমরশিং অসি কেন্সরস ওইদ্রগসু হোংলক্তুনা কেন্সর নাহল্লকপা য়াবা মরমনা কূপ্না মোনিটর তৌবা মথৌ তাই। মেলিগ্নেন্ট ট্যুমরগী খুদম ওইনা এক্টিনিক কেরাটোসিস, সর্ভিকেল দিসপ্লাসিয়া, মেটাপ্লাসিয়া ওফ লং, ল্যুকোপ্লাসিয়া অসিনচিংবা পনবা য়াই।

মেলিগ্নেন্ট ট্যুমরশিং অসি কেন্সরস ওই। ট্যুমর মখল অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবা চাংদা সেল মশিং য়ামখৎলকপা মতমদা ওইরকই। সেলশিং অসিনা লেপ্তুনা চাউখৎলক্তুনা শন্দোরক্লবদি পুন্সি মাঙবা য়াবা ফিভম ওইরকই। মেলিগ্নেন্ট ট্যুমরশিং অসি য়াম্না চাউখৎলকপা অমদি হকচাংগী অতৈ কয়াৎশিংদা শন্দোরকপগী থৌওং য়াম্না থুনা তৌই। মসিবু মেটাষ্টেসিস কৌই।

হকচাংগী অতোপ্পা কয়াৎশিংদা শন্দোক্তুনা লাক্লিবা সেলশিং অদু হান্নগী সেলশিং অদুগা চপ মান্নে, অদুবু মখোয় অসিদনা অতোপ্পা ওর্গানশিংবু খুদুম চনশিনবা ঙম্বগী ময়াই চেল্লি। খুদম ওইনা লং কেন্সরগী সেলশিংনা লিভরদা শন্দোরক্তুনা লিভরদা লৈরগসু সেলশিং অদুদি লং কেন্সরগী সেল অদুম ওইদুনা লৈ।

মান্নদবা মখলগী মেলিগ্নেন্ট ট্যুমরশিং অসি মান্নদবা মখলগী সেলশিংদগী হৌরকই। খুদম খরা মখাদা পীরি:

**কার্সিনোমা:** মখোয় অসি উনশাগী মখাদা অমদি হকচাংগী অতৈ কয়াৎশিংগী কুয়োমদা য়াওবা ইপিথেলিয়ল সেলশিংদগী হৌরকই। কার্সিনোমা অসি চাকখাউ, প্রোষ্টেট, পেনক্রিস, লং, লিভর, কোলোন নৎত্রগা ব্রিষ্টতা তৌবা য়াই। মখোয় অসি তোয়না নাগনবা মেলিগ্নেন্ট ট্যুমর মখলনি।

**সার্কোমা:** ট্যুমর মখল অসি কার্টিলেজ, শরূ, ফেট অমদি নর্ভকুম্বা কন্নেক্টিব টিসুদগী পোম্বা হৌরকই। মখোয়গী হৌরকফমদি বোন মেরোগী মপান্দা লৈবা সেলশিংনি। সার্কোমা অয়াম্বা মেলিগ্নেন্ট ওই।

জর্ম সেল ট্যুমর: ট্যুমর মখল অসি স্পর্ম অমদি এগ পুথোকপা সেলশিংদগী হৌরকই। মখোয় অসি অয়াম্বনা ওভারি নৎত্রগা টেষ্টিকলদা থেংনগল্লি, অদুবু ব্রেন, পুককী শরুক নৎত্রগা থবাকতসু থেংনবা য়াই।

**ব্লাষ্টোমা:** ট্যুমর মখল অসি ইম্ব্রাইওনিক টিসু নৎত্রগা দিভেলপ্পিং সেলশিংদগী ওইরকই। ব্লাষ্টোমা অসি অহলদগীদি অঙাংদনা হেন্না থেংনগল্লি। মখোয় অসিনা ব্রেন, মীৎ নৎত্রগা নর্ভস সিষ্টেমদা ট্যুমর ওইহল্লক্লবগী মরম ওই।

ট্যুমর লৈবা অসি করিগুম্বা মতমদদি পায়বা নৎত্রগা খূৎনা শোকপদা থেংনবা য়াওই, অদুগা মেম্মোগ্রাম নৎত্রগা এম আর আইগুম্বা ইমেজিং টেষ্টশিং শীজিন্নদুনা য়েংলবতদা খঙবা ঙম্বসু য়াওই। অদুবু অসিগুম্বা খূৎলায়শিং অসিনা ঙল্লিবদি অপোম্বা লৈবরা হায়বদু য়েংবখক্তংনি। লৈরিবা অপোম্বা অদু করিনো খঙনবগীদমক্তদি বাইওপ্সি তৌবা মথৌ তাই। মরম অদুনা অপোম্বা অমা লৈবা তারবদি দোক্টরদা য়েংথোকপা য়াম্না মরু ওই।

# জি এ টি দিস্পোজেবল কপ সী এমনা লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফালদা বেজ তৌবা গ্লোবেল এপ্রোচিং ট্রেন্ডনা শাবা জি এ টি দিস্পোজেবল কপ ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লোঞ্চ তৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা জি এ টি কপ লোঞ্চ তৌখি।

থৌরম অদুদা সঙাই এক্সপ্রেস (মণিপুরী)গী এদিটর খোগেন্দ্র খোমদ্রাম, ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট যুনিয়নগী ভাইস প্রসিদেন্ট সৌবাম বোকুলজাওবা অমদি নহারোলগী থৌদাংগী এসোসিএট এদিটর তেনশুবম চন্দ্রগুপ্তসু শরুক য়াখি।

মণিপুরদা পুথোক্লিবা বাইও দিগ্রেদেবল দিস্পোজেবল পেপর কপ অসিগীদমক সী এমনা কম্পেনি অদুবু পূক্লিং থৌগৎখি। লৈঙাক্লা ষ্টার্ট অপ মণিপুর অমদি ষ্টেন্দ অপ মণিপুরগী খুথাংদা থবক শুবা পাম্বা নহা কয়াদা বেঙ্ক লোন পীথবা লৈখ্রে শেন্থং পীথদুনা নহাশিংবু ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপকী মায়কৈদা খুম্মাং চাউশিন্নবা মীৎয়েং চঙলি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

গ্লোবেল এপ্রোচিং ট্রেন্ডকী মায়কৈদগী হৌজিক পেপর কপ সাইজ অনীদা পুথোক্লি। অথুবা মতমদা তোঙান তোঙানবা সাইজশিংদা পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# কুমজা ২০৩০ ফাওবদা হেপটাইটিস ইলিমিনেট তৌনবা হোৎনরি : জয়ন্ত

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০৩০ ফাওবদা হেপটাইটিস হায়রিবা লায়না মখল অসি ইলিমিনেট তৌনবা পান্দম থল্লি হায়না মণিপুরগী হেল্‌ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকমারনা ফোঙদোকখ্রে।

জেনিমসকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা ইম্পাথি কেম্পেন কম ভাইরেল হেপটাইটিসকী এৱ্যেৰ্নেস প্রোগ্রামদা ৱা ঙাংলদুনা হেল্‌ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, নেসনল ভাইরেল হেপটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম অসি কুমজা ২০১৮ দা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা লোঞ্চ তৌখিবনি। মসিগী পান্দমদি হেপটাইটিসকা মরী লৈনবা হীরমশিংদা লেম্না টেষ্ট তৌবা অমদি লায়েংবগী খুদোংচাবা পীবনি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক মসিগী খুদোংচাবা ফংবা হোস্পিটাল অনী লৈরে। হোস্পিটালশিং অদুদি রিমস অমদি জেনিমসনি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ট্রিটমেন্ট সেন্টর অমদি লেবোরেটোরিগী খুদোংচাবা ফংহনগদবা মফম কয়া শেমগৎনবা মীৎয়েং চঙলি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থৌবাল, বিষ্ণুপুর, চান্দেল, চুড়াচান্দপুর, উখ্রুল, তমেংলোং, সেনাপতিদা হেপটাইটিসকা মরী লৈনবা সেন্টর কয়া হাংদোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ অসিদা ফ্রী টেষ্টিংগী খুদোংচাবা পীবা হৌখ্রে। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি হেপটাইটিস হায়রিবা লায়না মখল অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি মসিবু মুথৎনবনি। থৌরাং কয়া অসি পায়খৎলকপদা সপোর্ট তৌবা চঙই। অসিগুম্বা লায়না মখল অসি লমদমসিদা মরু ফংনা মুথৎপা তঙাইফদে।

এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, নেসনল হেল্‌ঠ মিসন, জেনিমস অমদি আই এল পি এস ইন্দিয়ানা মসিগীদমক পীরক্লিবা ইফোর্ট কয়া অসি পূক্লিং থৌগৎলি। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী কামজোং এরিয়াদা মীওই ৩ শিরে হায়বগী রিপোর্ট অমা লাকখ্রে। মফম অদুদা এক্সপার্ট মেদিকেল টিম অমা থাজিনখ্রে। ইনভেষ্টিগেসন তৌনবা থবক কয়া লৌখৎখ্রে। এক্সপার্ট টিম অদুনা পীরকপা রিপোর্টশিং য়েংলগা মখা তাবা থবক কয়া লৌখৎকনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা জেনিমসকী দিরেক্টর ডা. টি ঐচ ভিমো, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. জিতেন্দ্র, এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্টর অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম অসিদা হেপটাইটিসকা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা রিছোর্স পার্সশিংনা ৱা ঙাংখি। হেপটাইটিসতগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদসু ৱাফম কয়া থমখি। থৌরম অদুদা জেনিমসকী ডোক্তর অমদি ষ্টাফ কয়াসু শরুক য়াখি। হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়াসু থৌরমদুদা শরুক য়াখি হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।০১।২০২০ ইং, ইৰাই,
ৱাকচিংগী থাশু।


**মেষ :** লাইবক ফবা, থবক থৌওং খঙগনবা অমদি য়েক্লবা লৈরম্বা হন্থরকপা নুমিৎনি। অফবা ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা অমদি তুংগী পোরম য়াৎপা হৈবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ফিংগনু অফবা লৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।


**বৃষ :** চরাংনগনু, য়েৎসু য়েৎকনু অমদি অখঙ অহৈসু শাগনু। মতম পুম্বদা মীয়াম্না য়াগদবা থৌ পাংনবা হোৎনৌ মদুনা মাঙগদবা কয়াদগী কনগনি। খাংবা কল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মরুপ থাজবা লুই।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙৌবা/চেঙ।


**মিথুন :** অঙনবদা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈ। মীয়ামগী মতেংনা লম্ অয়াম্বদা নিংবা থুংগনি অদুনা নাইতোম থৌ পাংগনু অমদি নচাক নরল চেকশিন্দবা তৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অঙনবদা নিংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক।


**কর্কট :** লাইবক ফবতা নত্তনা নিংবা অয়াম্বা পাংবা ঙমজগনি অমদি ওইজবা থিবগী লমদা মীকোক থোংনা কান্নবা ফংগনি। অদুবু য়াকা য়েংনা খুৎ থাদ্রদি মাঙগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরীদি হান্নগুম ফৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।



**সিংহ :** মতম মাঙবা ফরনি, মীচং অমদি লন ফংগনি অমসুং নিংথিনা খন্থবা ঙমজদুনা ফিদম্ননা থৌ পাংবা ঙমগনি। য়েৎনবা অমদি শাওনবদি তৌগনু-তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফরনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।



**কন্যা:** কান্নফম খঙদে অমদি থবক থৌরমদা হুরানবনা তাথিবা লৈগনি। খন্থদবনা অমদি য়েৎশিল্লকপনা লনদা ময়েং তাবা লৈগনি। লৌশিং চাওবগী ৱা তাবা ফৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌরদি ৱাজগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক।


**তুলা :** য়াম্না ঙন্না অফবা খোঙশাল লৈ অমদি লল্লোনবদা শেন্দোং ফংগনি। মরুপ-মপাংগা অনম তান্নবদা মরী ফত্তবা অমদি নথক থোংবনা লান্না লৌবিবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।


**বৃশ্চিক :** ৱানোম থৌনোম কান্নগনি,অরিবা থবক পাংগনি অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা কনানসু লাকচবা ঙমলোই। অদুবু খোইরাং খোইশাওবদি ফাথবা ফৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফরনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।


**ধনু:** য়াম্না ঙন্না অফবা লৈ অদুবু থেংথরদি লাইবক ফবা ৱাৎকনি। মরুপ মপাংগা মরী ফবা ৱাৎকনি অদুনা হৈ শিংবা শাদবা ফগনি। অরং-অরাক চেকশিল্লু, খুৎ চাওগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - থিবা হুম্বা কল্লু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক।


**মকর :** মায় পাক্কনি, লাইবক ফগনি, পাউসু নুংঙাইবা তাগনি অমদি লম চৎপা কান্নগনি। শুবা-নোম্বা য়াম্না কান্নগনি অমদি মীরক্তা চংলগা হেন্না নুংঙাইবা ফংজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নিংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ নাপু।


**কুম্বা :** হরাওবা নুংঙাইবা, মরুপ-মাপৎশিংনা য়াম্না চানবীবা অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নবা লৈগনি। অনম তাল্লদি কাইনবা নংগনি অমদি নাইতোম ৱারেপ লৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।



**মিন :** থবক পাংগনি, শেল ফংগনি, নচা ননাই চাওখৎকনি অমদি মরুপ মপাংগী মতেংদগী অফবা মীংচৎ ফংগনি। লাই গুরুনা চানগনি- ৱানোম্বা য়াগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নিংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# অনটাইটল

## রাহুল দেব সেরাম




Rahul Dev Seram is pursuing MFA at the Department of Fine Arts, Manipur University.